**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 29-09-2025)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২৯-০৯-২০২৫, নিংথৌকাবা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লালহৌবা ৪ অমসুং নোংমৈ ৭ য়াওনা খূৎশু খূৎলাই কয়ামরুম ফাগৎলে।

২) পান্থোইবী ইরাৎপা অমসুং দুর্গা পুজানা লাকপদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা মণিপুরগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

**অমসুং**

৩) ভারতপু চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা ভিক্সিট ভারত রন ২০২৫ মালেমগী লৈবাক ১০০ হেনবদা পাঙথোকখ্রে।

**------**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফমশিংদা এরিয়া দোমিনেসন অমসুং থিবা হুন্দ্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

রাজ্য পুলিসকী কন্ত্রোল রুমা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-ঙরাংসু তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লালহৌবা ৪ অমসুং নোংমৈ ৭ য়াওনা খূৎশু

খূৎলাই কয়ামরুম ফাগৎলে। ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী পাৎশোই পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা সঙাইথেল লোংঙা কোইরেং ক্রোসিংদগা সেক্যুরিতি ফোর্সনা সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ ৪, শেমদোক্লবা স্নাইপর রাইফল ১, নাইন এম এম পিষ্টোল ১, বুল্লেট প্রুফ প্লেট ৩, হেন্দ গ্রেনেদ ৩, দিতোনেতর ৩, হেলমেট ১৪, বাউফেং হেন্দ সেট ২, কেমোফ্লেক তি সার্ট ৩, বেক ৩ অমসুং তোঙান তোঙানবা মখলগী নোংমৈ মরুশিং ফাগৎখি।

তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অককবা পাউ ফংবদগী থিবা হুন্বগী থবক চথবদা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবা অমসুং আইননা য়াদবা থবকশিংদা চেন্নবা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই ৪ ফাগৎখি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শগোলমাং পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা চনুং ময়াই লৈকাইদা লৈবা মশাগী য়ুমদগী প্রিপাক(রেদ আর্মি)গী মীওই ১ সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ফারে। মঙোন্দগী লূপা লিশিং ৭০ ফংলে। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হৈঙাং পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা খাবৈশোই কোংবা মপান্দগী কে.সি.পি(পি.দব্লিয়ু.জি)গী মীওই ১ সু ঙরাং ফাখি। অতোপ্পা থৌদোক অমদনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লম্লাই পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা নাপেৎ পল্লি ময়াই লৈকাইদগী কে.সি.পি(মাওইষ্ট)কী মীওই ১সু ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমশাং পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা ফৈয়েং চীং খুনৌদগী কে.সি.পি(সিতি মৈতৈ)গী মীওই ১ সু ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। মঙোন্দগী দবল বেরেল রাইফল অমা ফংলে হায়রি।

**বিরেন (এল)ঃ** পান্থোইবী ইরাৎপগী মতম লাকপদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা মণিপুরগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। ৱারোল অমদা শা বিরেননা হায়- লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়াম্বু ইমা পান্থোইবীনা নুঙাই য়াইফবা পীনদুনা হেন্না চাউখৎপা লমদম অমা ওইমিন্নরসি।

দুর্গা পুজানা লাকপদসু য়াইফ পাউজেল পীরদুনা শ্রী বিরেননা হায়- ইমা দুর্গাগী থৌজালনা লমদম অসিদা শান্তি, চাউখৎপা অমদি নুংশি চান্নবা হিংমিন্নবা

লমদম অমা পুরকপা ওইরসনু। মহৌশাগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা দুর্গা পুজাগী থৌরম পাঙথোকবসু মহাকা আপিল ফোঙদোক্লি।

**নারি(এল)ঃ** কুমজা ২০৪৭ ফাওবগী মনুংদা ভারতপু চাউখৎনবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা তোঙান তোঙানবা থৌশিল থৌরাং কয়া পায়খৎলি। হৌখিবা থা অসিগী ১৭, মহাক্কী মপোক নুমিৎতা নুপী ওইবীশিং অমসুং অঙাংশিংদা মচি ওইবা চিঞ্জাক পীজদুনা মশা মউ ফনা লৈহন্নবগী পান্দমদা হৌদোকখিবা স্বাছতা নারি সাসক পরিভার অভিয়ান অসি লৈবাক্কী মফম কয়াদা লেপ্তুনা পাঙথোকরি।

থৌশিল অসিগী মতাংদা অকাশবানি ইম্ফালদা অখন্ননা উনবা অমদা রাজ্যগী সোসিয়েল ৱেলফিয়রগী দাইরেক্তর অন্না অরাম্বমনা হায়- নুপী অমসুং অঙাংশিং তিঞ্জং কাইজংদনা, মশা মউ ফনা লৈহল্লবদি হেন্না মপাঙ্গল কনবা লৈবাক অমা শেমগৎপদা চাউনা মতেং ওইগদৌরিবনি হায়বগী ৱাখল্লোনদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোকখিবা স্কিম অসি য়ামা ফবা স্কিম অমনি। স্কিম অসি সোসিয়েল ৱেলফিয়র দিপার্টমেন্টকী মখাদা পাঙথোক্লিবা পোসন মাহ কেম্পেইনগা পুন্না পাঙথোকমিন্নরি। মহাকা হায়-

**--সাউন্দ বাইট--(অন্না ৪১)**

**থৌবাল (এল)ঃ** লৈশাংথেম অপুনবা লুপনা শিন্দুনা ১২৯ শুবা ইরাবোট নিংশিং থৌরমগী শরুক অমা ওইনা অহুম্লক শুবা নোংমগী ওইবা ভিলেজ লেভেল লিতরেরি মিট কম ফেলিসিতেসনগী থৌরম অমা ঙরাং লৈশাংথেম কৈথেলদা লৈবা লৈশাংথেম ইমা লাইরেম্বী শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে। লোক সভাগী এম.পি.ডা.অঙোমচা বিমোল অকোইজম, হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি অমসুং কংগ্রেস লুচিংবা ওক্রম ইবোবী অমদি এম.এল.এ ওক্রম সুর্জকুমারনা লুচিংদুনা

ইরাবোটকী ফোতোদা মীয়ামা লৈ কত্তুনা ইকাই খুমবা উৎখি। থৌরম অদুদা লময়ানবা ইরাবোটপু শৈথাবা মহৈরোইশিংগী ক্ল্যইজ অমসুং শৈরেং চাংদমবসু পাঙথোকখি।

**ভিক্সিটঃ** হৌজিক চত্থরিবা সেভা পখৌরাগী শরুক অমা ওইনা কেন্দ্রগী য়ুথ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস মন্ত্রালয় অমসুং মপাল থৌরম মন্ত্রালয়না পুন্না শিন্দুনা লৈবাক ১০০ হেনবদা ভিক্সিট ভারত রন ২০২৫ পাঙথোকখ্রে। মন্ত্রালয়গী পাউনা হায়-বেঙ্কোক, বৈজিং, বৈরুট, বিসকেপ, ব্রুনৈ, দোহা, নাইরোবি, কোলারাম্পুর, মন্দলে, মেলবোর্ন, পর্থ, রিয়াধ, রোম, সিওল, সিদনি অমসুং তোকিয়ো য়াওনা মালেমগী মশক নাইবা মফমশিংদা কিলোমিতর ৩ দগীনা ৫ রোম শাংনা পাঙথোকখিবা লমজেল অদুদা মফমশিং অদুদা লৈবা ভারত মচাশিংনা শরুক য়াখি। মখোয়না ভারতপু মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইহনবা ঙমবা ৱাশক লৌখি। এক পের মা কে নাম কেম্পেইনগী মখাদা মখোয়না মফমশিং অদুদা মহৌশাগী ফিভম কাইহন্দনা থমবগী পান্দমদা উ চারাশিংসু থাখি।

**ঈ.সি.আই ঃ** লাক্লিবা বিহার বিধান সভা মীখল অমসুং বিধান সভা কেন্দ্র ৮ গী মরক্কী মীখলদা সেন্ত্রেল ওভজর্বর ওইগদবশিং ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা লাউথোকখ্রে। ওভজর্বরশিং অসিগী মনুংদা জেনরেল, পুলিস অমসুং এক্সপেন্দিচর ওভজর্বরশিং য়াওরি। পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসি নিয়ম চুমা অমসুং নিংথিনা পাঙথোকপা ঙমনবা হাপ্লিবা সেন্ত্রেল ওভজর্বর ৪৭০ অসিগী মনুংদা আই.এ.এস ওফিসর ৩২০ অমসুং আই.পি.এস ওফিসর ৬০ য়াওরি।

**শাহঃ** গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহনা হায়রি- অৱাং নোংপোক লমদম অমসুং জম্মু কাশ্মির অসি চাউখৎপা অমসুং শান্তিগী লম্বীদা খুমাং য়াংনা চংশিল্লক্লি। নিউ

দেল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা নক্সাল মুক্ত ভারত-এন্দিং রেদ তেরর অন্দর মোদিস লিদরশিপ হায়বা জাতি থাক্কী মীফম লোইশিনবগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী শাহনা হায়- সরকারনা মরুওইবা য়ুন্বী মখোঙ অহুম, দাইলোগ, সেক্যুরিতি অমসুং কো-ওর্দিনেসন হায়বসিদা য়ুমফম ওইদুনা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংনা অৱাং নোংপোক লমদমদা সেক্যুরিতি পর্সনেলশিং শিবগী চাং কুমজা ২০১৪ দগী ২০২৪ ফাওবগী মনুংদা চাদা ৭০ দা হন্থহনবা ঙম্লে।

**ক্রিকেট ঃ** যুনাইতেদ অরাব ইমাইরেটসকী দুবাইদা লৈবা দুবাই ইন্তরনেসনেল ক্রিকেট স্তেদিয়মদা ঙরাং শান্নখিবা ৯ শুবা এসিয়া কপতা ভারতনা পাকিস্তানবু ৱিকেট ৫ দা মাইথিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইরে। তোস ঙমদুনা ভারতনা পাকিস্তানবু হান্না বেতিং তৌহনখিবদা অপীবা ওভর ২০ দা রন ১৪৬ লৌখি। মদুগী পাউখুমদা ভারতনা ওভর ১৯ গা বোল ৪ দা রন ১৫০ লৌদুনা পান্দম অদু য়ৌবা ঙমখি।

**গেমস ঃ** দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক এসোসিয়েসন থৌবালনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালগা খুৎশমদুনা থা অসিগী ২৪ দগী থৌবাল মল্টি পরপজ ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চথুরকখিবা দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক গেমস ঙরাং লোইশিনখ্রে।

নুমিৎ মঙানি চথুরকখিবা গেমস অসিদা তোঙান তোঙানবা মশান্না ২০ লোমদা অথোই অহেন তান্নখি। লোইশিনবগী থৌরমদা অদুদা লোক সভা এম.পি ডা.অঙামচা বিমোল অকোইজম, হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি ওক্রম ইবোবী অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজিং কমিতিগী চেয়ারমেনসু ওইরিবা থৌবালগী দি.সি- হনা কামৈনচিংবা শরুক য়াখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

রিলিফ কেম্পতা লৈবা মহৈরোই অমা মশা মথন্তা শিরম্বা, মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্ডনা সিঙ্গল য়ুস প্লাস্তিক কয়া ফাগৎখিবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি ফোঙনরিবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

প্রসিদেন্টস রুল চলাইরকপদগী নোংমৈ, বোমগী মখোল তাদ্রবসু রিলিফ কেম্পতা শিজবা লেপত্রি। ইম্ফালদা এম.এল.এ অমনা আই.দি.পিশিংবু লাই খুরুমহন্নবা লমথারিঙৈদা জিরিবাম রিলিফ কেম্পতা মহৈরোই অমা থৌরি য়ান্দুনা শিরল্লে হায়না- হুইয়েন লানপাউগী বেনর হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক মণিপুর মেলগীসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

চহী ৫০ গী মতুংদা শোমদলগী খুঞ্জাশিংনা থুইঙালেন মুইবাবু ওকবা খৌরাংনা ঙাইরি হায়বা পাউ- পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্ডনা ইম্ফাল ইষ্টকী নিলকুথিদগী সিঙ্গল য়ুস প্লাস্তিক কেরি বেক কিলোগ্রাম লিশিং ৩০ রোম ফাগৎখ্রে হায়বা পাউ- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনালৈবাক পাউচেদা- বি.জে.পি লৈঙাকা থবক অমত্তা মাই পাকা পাঙথোক্ত্রিঃ মেঘচন্দ্র। ভোট চোর, গাদি ছোর হায়বসিদা য়ুথ কনভেন্সন পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিমক্তদা নেপালিনা নাগা খুলগী নিংথৌ ওইরকপদা নত্তনা কুকিদা লম য়োল্লম্বগী ৱাথোক লাক্লে হায়বা পাউ অসিনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ৱার্ল্ড ফুদ ইন্দিয়া ২০২৫ দা লমদম অসিগী ওইবা চানবা পোৎলমশিং মপুং ফানা য়োনবা ঙম্লে হায়বা পাউ- পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

এক্তর বিজয়গী রেল্লিদা নেৎশিন্নবদা ৪০ শিখ্রে হায়বা পাউ- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পেন্সন চৎলবা অহল য়াওনা তোঙান তোঙানবা শিনফমদা লৈরিবা মীওইশিংদগী কুকি জো কাউন্সিলনা দোনেসনগী মিংদা য়াল্লবা শেনফম কয়া খোমগৎলব্রা হায়বা অচৌবা ৱাহং থোরক্লে হায়না- নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

লেন রিসোর্চ দিপার্টমেন্টনা থোকখিবা লেন্দ নোতিফিকেসন ককথৎপীনবা কুকি ইনপী মণিপুরনা গভর্ণরদা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ গানফিউ মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তামেংলোংদা লৈবা ফার্মলেন্দ ফিসিং পুলদা ঙা ফাবা চাংদমবা অমা পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ- তামেংলোংদা তাইমসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ৱার্ল্ড তুরিজম ডে কম ফর্ষ্ট লিজাই ফেষ্ট সেলেব্রেসন শাদিম লিজাই লেকতা পাঙথোকখিবগী পাউ- হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**--পাউ লোইজরে--**